# ত্রিপুরাদা পাউমী অমা হাৎখিবগা মরী লৈননা মীওই ৪ ফারে



***অগর্টলা, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

ত্রিপুরাদা পাউমী অমা হাৎখিবা মতূং ঙরাং ঈ নাই তাবা থৌদোক কয়া থোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি) গী এক্টিভিস ৪ ফারে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

ত্রিপুরা ৱেষ্টকী সুপরিন্টেনদেন্ট ওফ পুলিস অভিজিৎ সপটারসিনা ফোঙদোরকখিদা ঙরাং মীয়ামগী খোঙজং অদুদা পুলিস পার্সোনেল ১৬ অশোক অপন নংখি। আই পি এফ টি গী এক্টিভিসশিংনা মন্দাই অমসুং খুমুলব্রুং লমদমদা গারী ২ অমাঙ অতা থোকহনখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতূং ইন্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীওইশিং অদুনা টেন অমসুং অহাংবা লিক্লি কয়া শীজিন্নদুনা পুলিস পার্টিদা এতেক্ট তৌরকখি। মফম অদুগী তোঙান তোঙানবা শরুক ৫ দা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়াম অমসুং পুলিসকা অকনবা মওংদা মুক্নখি। লমদম অদুদা হৌজিক ওইরিবা উংখৎনবগী ফিভম অদু লাকশিনবা ঙম্লে হায়রি।

দিনরাট ন্যুজ চেনেলগী পাউমী শান্তনু ভাওমিক ঙরাং ত্রিপুরাগী নোংচুপ থংবা দিষ্ট্রিক্টতা শকখঙদবশিংনা হাৎলম্লবা মতূং লমদম অদুদা মীয়ামগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকখি। পাউমী ভাওমীকনা থৌবা গারী অদুগী মনিংদা অতোপ্পা গারী অমনা থোমজিল্লকখ্রবা মতূং অরুবা ফিভমদা শোক্তুনা লৈরম্বদগী অগর্টলা মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মহাক শিনা পুরক্লে হায়না হোস্পিটাল অদুগী ডাক্তরশিংনা লাওথোরকখি হায়রি।

মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ লাকখিবা অদু য়েংলগা ত্রিপুরাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা ইন্টর্নেট সার্ভিস থিংজিনখ্রে। লোয়ননা কম্যুনিষ্ট পার্টি (মার্ক্সিস) না মীশি অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লোয়ননা ঈ পাউগী লমদা নমথনবা হোৎনবা থৌশিল অমনি হায়না ফোঙদোরকখি।

সি পি এম গী লুচিংবা অমনা ফোঙদোরকখিবদা বি জে পি না শৌগৎপা আই পি এফ টি গী অরানবা তৌবা খূৎপু অমনা শান্তনু ভাওমীকবু হাৎখিবা ওইগনি। মরাল লৈবশিং খুদক্তা ফাদুনা দন্দি পীগদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

বেঙ্গলুরুদা গৌরি লঙ্কেস কৌবা পাউমী নুপী অমসু হন্দক্তা হাৎলমখিবা লৈখ্রে। মদুগী মতূং ভাওমীক হাৎলমখিবা অসিনা চথরিবা ফিভম অসি ময়েক শেংনা তাক্লি। ষ্টেট অদুদা মথংগী মিখল পাঙথোক্লবা মতম খজিত্তগা ঙাইরবনি পাউমীশিংবু মচিন মেন্নবা অমসুং মীয়ামগী অচুম্বা ৱাখল্লোন নমথনবা হোৎনবা থৌশিন অমা ওইগনি হায়নসু সি পি এম গী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# দোনাল্ড ট্রম্পকী অকনবা ৱাফম থমখ্রবা মতূং নোর্থ কোরিয়ানা মখা তানা মিসাইল চাংয়েং তৌরকপা য়ারি



***টোকিও, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়া মাঙহন তাকহনগনি হায়না ফোঙদোকখিবা মতূং নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উং না ৱাফম অদু লৈবাক অদুগী মীয়ামদা নুমিৎ খুদিংগী তাহন্দুনা নোর্থ কোরিয়াগী মীওই খুদিংমক্কী পূক্নীং চিংশিল্লি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াবু মপুঙ ফানা মাঙহনগনি হায়না কিহনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি। ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবা অকনবা ৱাফম অদুনা নোর্থ কোরিয়াদা লৈবা মীওই মিলিয়ন ২৫ রোমগী পূক্নীং নুংঙাইহনদ্রে। ট্রম্পনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু নোর্থ কোরিয়াগী ষ্টেট টেলিভিজন্না হঞ্জিন হঞ্জিন থাদুনা মীয়ামদা অকি তুজুংবা ফাওহল্লি হায়রি।

ইং ১৯৫৩ দা কোরিয়া লাল লোইখিবা মতূং মথং মথং লৈঙাক কয়া লাকখ্রবা মতূং কিম জোং উন না ঙসি লৈবাক অদুগী শক্তি পায়রি। মতম অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী য়ূম কৈ চাদা ৮০ মাঙ তাকহনখি অদুগা মীওই চাদা ২০ লোম্না শিহনখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ কোরিয়াদা শিংনরক্লিবা কয়া অদু য়েংলগা নোর্থ কোরিয়ানা মশাগী ওইবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শেমগৎপগী মরম ওইহনখি হায়নসু হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা কিম জোং উন গী কাঙবুনা ফোঙদোকখি।

কিম জোং উন গী লৈঙাক্লা লৈবাক অদুবু চপ চানা ঙাক শেন্নবা অমসুং মরোমদোম লেপ্পা ঙম্বগী শক্তি লৈ হায়না ফোঙদোকখ্রে। তমথিবা মপানগী খূৎশিং মরু ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা লুচিংবা কাঙবুশিংনা কিহল্লক্লিবা অদু শিংনবগী শক্তি লৈ। অচুম অরান লেপথোক্লবগী হক লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মীৎয়েং অদু নোর্থ কোরিয়াদদি তমথিবা অমনি হায়না কোরিয়ান ষ্টদিসকী চিয়ারমেন জুং ঐচ পাকনা ফোঙদোরক্লি। মদুনা মরম ওইরগা দোনাল ট্রম্পনা নোর্থ কোরিয়াবু কিহনবা ওইনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু কোরিয়া ষ্টেট টেলিভিজন্না হঞ্জিন হঞ্জিন মীয়ামদা শন্দোকপগী মরম ওইহনখি হায়রি।

# মহারাষ্ট্রগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নরায়ন রানে কংগ্রেসতগী তোকখ্রে

***কুদল, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

মহারাষ্ট্রগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নরায়ন রানে ঙসি কংগ্রেস পার্টিদগী তোকখ্রে। লুচিংবা অদু বি জে পি দা য়াওরক্লবা য়াই হায়রি।



পার্টিদগী তোকখ্রবা নরায়ন রানেনা কংগ্রেস পার্টিবু মরাল শিরদুনা হায়, মহাক্না চহী ১২ গী মমাঙদা পার্টি অদুদা য়াওরকখিবা মতমদা চীফ মিনিষ্টর ওইহনগনি হায়না পার্টি অদুনা থাজবা পীখি। অদুম ওইনমক ফিভম অদু অরুবা ওইরকখিবনি। রানে ১৯৯৯ দা সিব সেনা পার্টিগী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইরমখি। লুচিংবা অদুনা নুংঙাইতবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপগা লোয়ননা কংগ্রেস পার্টিদগী ঙসি তোকখ্রে।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, মতম অদুদা কংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা অহমেদ পটেলনা মহাকপু কংগ্রেসতা য়াওরক্লবদি চীফ মিনিষ্টর ওইনা শেমগনি হায়বগী থাজবা পীখিবনি। অদুম ওইনমক ফিভমশিং অদু ওইরকখিদে হায়না ঙসি সিনধুদর্গ দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা লুচিংবা অদুনা হায়, সোনিয়া গান্ধীগা অনীরক হন্না উন্নবদা লুচিংবী অদুনা মহাকপু চীফ মিনিষ্টর ওইহনগনি হায়খিবা লৈখি। সিব সেনাগী লুচিংবা ওইরম্লবা মতূং ইং ২০০৫ গী জুলাই ২৬ তা মহাক কংগ্রেস পার্টিদা য়াওখি। মহাক্না পার্টি অদুদা য়াওখিবগী হেক নোংঙানবদা মহাকপু কংগ্রেসনা লুচিংবা ষ্টেট লৈঙাক অদুগী রেভিন্যু মিনিষ্টর ওইখি। মহাক্কী তুংগী লাক্কদবা ফিভমশিং অদু চপ চানা লেপথোকপা ঙমদবা ফিভম লৈবদগী বি জে পি দা য়াওননবা ৱারেপ লৌবনি হায়রি।

বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিটসাহনা থা ১ গী মমাঙদা অহমেদবাদতা লাক্লমখিবা মতূং মহারাষ্ট্রগী লুচিংবা অদুনা মহাক্কী অনৌবা ফিরেপ অদু লৌরকপা ওইগনি হায়রি।

# টেরোরিষ্ট এতেক্টতা মিনিষ্টর নাম্থোকহৌরে, মীচম ৩ শিরে

***শ্রীরনাগর, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী শ্রীনাগরদগী খারোমদা মাইল ২৫ রোম চৎলগা লৈবা ট্রাল লমদমদা টেরোরিষ্টশিংনা মিনিষ্টরগী কনভোইদা অকনবা এতেক্ট চথরকপদা মিচম ৩ শিরে অদুনা সেক্যুরিটি পার্সোনেল ১২ অশোক অপন নংখ্রে।

মিনিষ্টর নাইম অখটারদা টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবা এতেক্ট অদুদা মিনিষ্টর অদুদি অশোক অপন নংহৌদ্রে অদুগা মহাক্কী দ্রাইভরনা অশোক অপন নংখ্রে।

ট্রাল সহরগী মী চিনবা বস ষ্টেন্দ অমগী মনাক্তা টেরোরিষ্টশিংনা মিনিষ্টরগী কনভোই অদুদা হেনগ্রেনেদ ২ লংশিন্দুনা এতেক্ট চথরকখি। সহর অদুগী ময়াইমক্তদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতূংদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা মফম অদু কোইশিন্দুনা থমখ্রে হায়না পাওগী লিখুন অমনা ফোঙদোরকখি।

টেরোরিষ্টশিংনা হেনগ্রেনেদ লংশিল্লকখিবা অদুদা মীচম ৩ শিখ্রে অদুগা সেক্যুরিটি পার্সোনেল ১২ না অশোক অপন নংখ্রে। লমদম অদুদা হৌজিক মখা তানা থি হুম্বগী থবক চথরি। পাও অসিগী মতূং ইন্না শোকখ্রবা পার্সোনেলশিংগী মনুংদা নিপালদি পেরা মিলিটরি লান্মীশিংনি হায়রি। অদুগা ৪ না পুলিস পার্সোনেলশিংনি। থৌদোক অদুদা মীচম ৪ অশোক অপন নংখি। মদুগী মনুংদা মীওই ৩ দি অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা কলেজ তল্লিবা মহৈরোই ১ য়াওরি হায়রি।

# শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা হায়কোর্টকী হান্নগী জজ অমা য়াওনা মীওই ৫ ফারে



***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

শেঞ্জা থুমজাগা মরী লৈননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই) না ঙসি উরিষা হায়কোর্টকী থবক্তগী পোত্থাখ্রবা জজ ইসরাট মসরুর কুদ্দুসি য়াওনা মীওই ৫ ফারে। হান্নগী জজ কুদ্দুসিগী ন্যু দিল্লিগী গ্রেটর কৈলাসতা লৈবা য়ূম য়াওনা মফম নিপালদা থি হুম্বগী থবক চথখিবা মতূং মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। মদুতা নত্তনা ভুবনেশ্বর অমসং লক্ষনৌদা লৈবা মফমশিংদসু থি হুম্বগী থবক চথখি হায়রি।

শেঞ্জা থুমজাগী কেসকা মরী লৈননা ফারবা অতোপ্পা মীওইশিং অদুগী মনুংদা বি পি য়াদব অমসুং পালাস য়াদব কৌবা প্রসাদ ইজুকেসন ট্রষ্টকী মীওইশিং য়াওরি। ট্রষ্ট অদুনা লক্ষনৌদা লৈবা মেদিকেল কলেজ অমা চলাইরমখিবনি হায়রি।

মখোয়তা নত্তনা অতোপ্পা মীওই অনী বিশ্বানাথ অগ্রৱাল অমসুং রামদেব সরসৱটসু ফারে হায়না সি বি আই গী পাউ অমনা ফোঙদোরকখি।

ফারবা মীওইশিং অদু কোর্টতা পুথোকখ্রে। মীওইশিং অদুগী মথক্তা মরাল কয়া শিরি। মদুগী মনুংদা মেদিকেল কলেজ অদুদা মহৈরোইশিং মিং চনবদা শেঞ্জা থুমজা তৌখিবশিং য়াওরি হায়রি।

# যোগি অদিত্যনাথ অমদি কে পি মাওরিয়া লোকসভাদগী রিজাইন তৌখ্রে

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

ষ্টেট লেজিসলেটিভ কাউন্সিলদা মায় পাক্লকখ্রবা মতূং উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ অমসুং দিপ্যুটি সি এম কেসব প্রসাথ মৌরিয়া ঙসি লোক সভাগী মেম্বর ওইবদগী ফম থাদোকখ্রে।

লোক সভা সেক্রেটরীয়েট ওফিস পাউগী মতূং ইন্না বি জে পি গী এম পি অনী ফম থাদোকপগী চেরোল পীশল্লকখ্রে।

যোগি অদিত্যনাথ গোরাখপুর লোক সভা সিটতগী কারকখিবা মীওইনি অদুগা কেসব প্রসাথ মৌরিয়ানা এলহবাদকী ফুলপুর লোক সভা কনষ্টিট্যুয়েনসিদগী মায় পাকলকখিবনি। হায়রিবা কনষ্টিট্যুয়েনসিশিং অদুদগী মায় পাক্লত্তুনা লোক সভাগী মেম্বর ওইরবা মতূং অদিত্যনাথ অমসুং মৌরিয়া উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইনা য়ু পি এসেমব্লিদা ৱাশক লৌখি।

চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা য়ু পি ষ্টেট লেজিসলেটিভ কাউন্সিলগী মীখলদা বি জে পি না চাওনা মায় পাক্লকখ্রবা মতূং ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইননবগীদমক লুচিংবা অনী অদু ৱাশক লৌখি।

মীওইশিং অদু ষ্টেট অদুগী লুচিংবা ওইরক্লবা মতূং তঙাই ফদনা ষ্টেট অদুগী এম এল এ অমা ওইবগী মথৌ তাবা লৈবনা মরক্কী মীখলদা মীরেপ ওইখি। মীখল অদুদা লুচিংবা অনীদু চাওনা মায় পাক্লকপগা লোয়ননা মখোয়না পায়রিবা ফমশিং অদু হেন্না খুভম চেৎশিনহনখি।

ষ্টেট এসেমব্লিগী মরক্কী মীখলদা মায় পাক্লকখ্রবা মতূং ইলেক্সন কম্মিসন্না লুচিংবা অনীদু লোক সভা সিটতগী রিজাইন তৌননবা পাওতাক পীখি। মদুগা মান্ননা গৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা অমসুং য়ু পি গী রাজ সভা সিটতগী মায় পাক্তুনা এম পি ওইরকখিবা মনোহর পরিকর ফম থাদোকখি। লোয়ননা পরাজি এসেমব্লিগী মরক্কী মীখলদা মীরেপ ওইখি। মীখল অদুদা মহাক চাওনা মায় পাকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর ওইবগী খুভম হেন্না চেৎশিনহনখি।

লুচিংবা অদুনা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী ফম থাদোক্লবা মতূং চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা গৱাগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি হায়রি।

# মেক্সিকোগী অকনবা য়ুহারদা নীংখাইখ্রবা স্কুলদগী অঙাংশিং কন্নবা অকনবা থবক চথরি

***মেক্সিকো, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

মেক্সিকোদা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেগ্নিচুট ৭.১ য়ৌবা অকনবা য়ুহার হাখ্রবা মতূং অতেক অকায় মরক্তগী অহিংবা মী কন্ননবা অকনবা থবক পায়খৎলি। মেক্সিকো সহরদা লৈবা নীংখাইখ্রবা স্কুল অমগী অতেক অকায় মরক্তগী চহী ১২ রোম শুরবী নুপী মচা অমা কনবা ঙমখ্রে। মহাক টেবল অমগী মখাদা চঙজফম লৌরম্বদগী হিংহৌখিবনি। মহাক্না করম তৌনা টেবল অদুগী মখাদা চঙশিনবা ঙমহৌরিবনো হায়বদু খঙবা ঙমদে হায়না মী কনবা কাঙবুনা ফোঙদোরকখি।

স্কুল অদু নীংখাইবদা অঙাং ২১ অমসুং অহল ৫ শিখিবা লৈখ্রে। অকনবা য়ুহার অদুনা স্কুল অদু য়াওনা তোঙান তোঙানবা বিল্ডিং ১২ হেন্না নীংখাইহনখ্রবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা য়ুহার অদুনা মরম ওইরগা মীওই ২৪৮ শিখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে হায়রি।

প্রসিদেন্ট ইনরিক পেনা নিটোনা লৈখিদ্রবশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা লৈবাক অদু নুমিৎ ৩ নি চুপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্কনি হায়না লাওথোকখ্রে।

মেক্সিকো সহরগী খা থংবা কোপা দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ইনরিক রেবসামেন প্রাইমারি স্কুল অদুদা মীৎয়েং থমদুনা মী কনবগী থবক চথরি। লাংতক্লরবা মমা মপা কয়ানা মাংখ্রবা মখোয়গী মচাশিংগী পাও খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈনরি। সিভিল প্রোটেক্সন ভলন্টিয়ারশিংনা থরমেল স্কেনর শীজিন্নদুনা য়েংশিনবদা অহিংবা মীওই কয়া নীংখাইখ্রবা স্কুল অদুগী অতেক অকায় মরক্তা লৈরি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

মী কনবা কাঙবুনা খুদোং থিবা নংখ্রবা প্রাইমারি স্কুল অদুগী অতেক অকায় মরক্তা অহিংবা অঙাংশিং ফংননবা অকনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি।

# আই এস আই এস না খূৎলিংবা মফম হাৱিজা লৌশিন্নবা হোৎনরি

***ইরবিল, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

ইরাক লান্মীনা ইস্লামিক ষ্টেট ইরাক এন্দ সিরিয়া (আই এস আই এস) না খূৎলিংবা মফম কয়া লৌশিনবা ঙমখ্রবা মতূং থাও মরাং কায়না থোকপা কিরকুক সহরগী মনুং চনবা হাৱিজা লমদম লৌশিন্নবা অকনবা থবক পায়খৎখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর অল–অবাদিনা কিরকুক য়াওনা ইরাক্কী অৱাং থংবা শরুকশিংদা ওফেন্সিপ ষ্ট্রাইক চথনবা লাওথোকখ্রে। মদু কর্দিস ইন্দিপেন্দেসকা ৱারী শান্নগদবা নুমিৎ ৪ নিগী মমাঙদা লাওথোকখিবনি।

সেপ্টেম্বর ২৫ দা কর্দিসটাল রিজনেল ওটোনোমস গভর্ণমেন্ট শেম্বগী ৱাফম অদু কনষ্টিট্যুসনগী মায়োক্তা লৈবা ৱাফম অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কর্দিস ইন্দিপেন্দেস ভোট পাঙথোকপগী মতাংদা মীওই কয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরি। টর্কমেন কম্যুনিটিশিংনা ইরাকতগী তোখায় তাবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি।

কর্দিস পেস মেগা ফোর্সনা কিরকুক মতম খরগী মমাঙদগী খুদুম চন্দুনা লৈরকখিবনি। ইং ২০১৪ দা আই এস আই এস কী মখূৎতা ইরাক লান্মীশিং মায়থিখিবা মতূং মফম অদু কর্দিস পেস মেগানা লৈঙাক পায়দুনা লৈরকখিবনি হায়রি।

# রোহিংয়া মুস্লিমশিং আইন কায়না চঙশিল্লকপশিং হলহনখিবা হায়বসি আইনগী ৱাংমদা নৎতে ঃ *রাজনাথ*

***ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ ঃ***

রোহিংয়া মুস্লিমশিং আইন কায়না চঙশিল্লকপশিং মখোয়বু রিফ্যুজি অমা নত্তে হায়রবদি কনানা লৈবাক অসিদা চঙজফম পীগদৌরিবনো হায়না ঙসি নেসনেল হ্যুমেন রাইট কম্মিসন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা সেমিনার অমদা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।



লুচিংবা অদুনা মখা তানা হায়, রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু ময়ূমদা হলহনখিনবা হোৎনবদা মীওই খরনা অয়েৎ অপন পীরিবা অদু করিগীনো। ম্যান্মারগা রোহিংয়া মুস্লিমশিং অদু লৌশিন্ননবা শেম শাদুনা লৈরিবনি হায়খি।

ইন্দিয়ানা মালেমগী ওইবা চৎন–কাঙলোন থুগাইবগী ৱাফম লৈতে। রোহিংয়া মুস্লিমশিংবু ময়ূমদা হলহনখিবা হায়বদু য়ু এন রিফ্যুজি কনভেনসন ১৯৫১ গী আইন কায়বা নৎতে।

লৈঙাক অসিনা সুপ্রিম কোর্টতা হন্দক্তা ময়েক শেংনা খঙহনখিবসু লৈখ্রে। মদুদি রোহিংয়া মাইগ্রেনশিং অদু ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং পকিষ্টানগী স্পাই এজেন্সি আই এস আইগা মরী লৈনবা কাংবুনি। লৈবাক অসিদা চঙশিন্দুনা লৈরিবা রোহিংয়া মুস্লিম লীশিং ১০ রোম অদু ময়ূমদা হলহনখিদ্রবদি ইন্দিয়াদা সেক্যুরিটিগী ওইবা অচৌবা শিংনবা অমা ওইরকপা য়াই হায়রি।

রোহিংয়া মুস্লিমশিং লৈবাক অসিদা লৈবা য়াহল্লবদি লৈবাক অসিগী মহৌশাগী ওইবা পোত্থোকশিং চাওনা হন্থখিগনি। মদুনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদা শাথিবা ফিভম অমা ওইহল্লকপা য়াই। লোয়ননা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা উংখৎনবা কয়া লাকপদগী লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমদা চাওনা শোকহল্লক্কনি হায়রি।

ওং সান সু চি না মালেমগী লৈবাক কয়াদগী অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লরকখিবা মতূং লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হায়, মালেমগী লৈবাকশিংনা হৌজিক ওইরিবা ম্যান্মারগী ৱাথোক অসিদা য়েংশিল্লকপা খুদিংমক কিনিঙাই ওইদে হায়খি।

## GAS TODAY

**Misao Gas Service**
Booking ........... 10/06/17
Valid ................. 16/05/17
Stk ... 612
Time ... 7.30 to 10.00 am

**R & H Indane Service**
Booking ........... 07/05/17
Valid ................. 28/04/17
Stk ... 612
Time ... 8.00 to 11.00 am

**K & K Indane Service**
Booking ........... 05/06/17
Valid ................. 15/05/17
Stk ... 612
Time ... 7.30 to 11.00 am
First come first serve

**Imphal LPG Service**
Booking ........... 12/06/17
sl. No. upto 14810
Valid ................. 29/05/17
Stk ... 306

**Hrangchal Gas**
Booking ........... 05/06/17
Valid ................. 01/06/17
Stk ... 306
Time ... 7.30 to 10.30 am

**RBD Indane Service**
Booking ........... 23/05/17
Valid ................. 05/05/17
Stk ... 612
Time ... 6.30 to 10.30 am

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking ........... 20/04/17
Valid ................. 18/04/17
Sl. No. 1915
Stk ... 306
Time ... 7.00 to 10.00 am

**Heirok Indane**
Booking ........... 17/07/17
Valid ................. 18/06/17
Stk ... 306
Time ... 7.30 to 10.30 am

**Khurkhul Heikham Gas**
Booking ........... 09/07/17
Valid ................. 21/06/17
Stk ... 306
Time ... 8.00 to 12.00 am

**Maibia Gas, Moirang**
Booking ........... 05/06/17
Sl. No. 6160
Valid ................. 29/05/17
Sl. No. 5301
Stk ... 612
Time ... 7.00 to 11.00 am

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking ........... 02/05/17
Valid ................. 25/04/17
Stk ... 800
Sl. No. 27770
Time ... 7.00 to 09.30 am

সনা–সুদোকু – ৯৪১ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 8 | 1 | 5 | 6 | 7 | 4 | 2 |
| 7 | 2 | 1 | 9 | 3 | 4 | 6 | 5 | 8 |
| 5 | 4 | 6 | 7 | 8 | 2 | 3 | 9 | 1 |
| 8 | 5 | 2 | 3 | 4 | 1 | 9 | 7 | 6 |
| 4 | 1 | 3 | 6 | 9 | 7 | 2 | 8 | 5 |
| 9 | 6 | 7 | 5 | 2 | 8 | 1 | 3 | 4 |
| 2 | 3 | 9 | 8 | 1 | 5 | 4 | 6 | 7 |
| 1 | 7 | 5 | 4 | 6 | 3 | 8 | 2 | 9 |
| 6 | 8 | 4 | 2 | 7 | 9 | 5 | 1 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-942**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 7 | | | 5 | 8 |
| 7 | 9 | | | | | | | |
| | | | | | | 9 | | 1 |
| | 1 | | | | | | | |
| | 2 | 7 | | | 4 | 6 | | |
| | 5 | 4 | 6 | | 3 | 8 | | |
| 6 | | | | | 2 | 7 | 4 | |
| | | | 5 | | | 1 | | |
| | 4 | | 1 | 8 | | | | |